# পূন্সি হায়বসি করিনো? চমম্নবা অমা

- এস ইন্দ্রকুমার-



পূন্সি হায়বসিগী অহৌবা, ইমাগী নাওয়োম্নুংদগী থোক্লক্তুনা তাইবঙপানসিদা খোঙদারকখিবা নুমিৎতুরা? নৎত্রগা ইমাগী নাওয়োম্নুংদা ইহান হান্না মিতমখিবা নুমিৎতুরা? পূন্সি খোঙচৎ হায়নরিবসিগী অহৌবা, তাইবঙগী ঈশিং-নুংশিৎ, নুমিৎ-থা-থৱান্মীচাকশিংগী ইথিল হকচাংদা পীবা হৌখিবদি তাইবঙপানসিদা খোঙদারকপা নুমিৎতু'না ওইখ্রবসু, ইন দ রিঅল সেন্স, পূন্সিদুগী ক্রিয়েশন'দি ইমাগী শিয়োম্নুংদা মিতমখিবা নুমিৎতুদই হৌখ্রবনি। অদুনা, কনাগুম্বা খরনদি মীওইবগী পূন্সি-হৌবা-নুমিৎ লেপ্পসি-তাইবঙদা লাকপা নুমিত্তগী থাবুম তরা (হঙ্গেরিগুম্বা লৈবাক্তনা থা মাপন) ঙনখৎনা লৌনবসু য়াওই। মদু কুঠি (হোরোস্কোপ) ইবা, পূন্সি লল্লোনবা কাঙবুগী ৱা ওইরসনু। পাউদমসিদা তমগে খঞ্জরুরিবা ৱারোলসিনা অমনি। তাইবঙসিদা লাক্ক্রিঙৈ মতমদুগী মমাঙদা ঐগী ৱারী অমত্তা লৈরমদে। আই হেদ নো পাষ্ট লাইফ- ঐগী হৌখ্রবা মতমগী পূন্সি ৱারী লৈরমদে। হংঙা মীকপ্পরকপা মীকুপ্তুদগী ঐগী ৱারী ইবা হৌখি - ঐগী ইমা-ইপানা, নৎত্রগা ঐবু য়োকপী-থাকপীরক্লিবা কনাগুম্বগী খূৎ'তুনা। তাইবঙসিদা লাকপদা ঐহাক করিসু খঙলমদে, ঐঙোন্দই হেন্না চমজবা, ইরাল লৈতবা অতোপ্পা থৱায় অমা লৈরমদে।

তপ্পা তপ্পা চাওখৎলক, তাইবঙ মশক খঙলকপা-ইনফোর্মেশন, নোলেজ অমসুং এক্সপরিএন্স তপ্পা তপ্পা হাপচিল্লক, অমকপা লৈত্রবা ঙৌরোক ঙৌবা, অঙৌবা চেবাঙগুল্লবা মীওইবগী পূক্লিং অমদি ৱাখল, তপ্পা তপ্পা মোৎশিনহল্লকখি। পূন্সি-পোৎলূম হায়নবা ৱাখল-পোৎলূম থাঙ্গৎলকখি কোকথক্তা। পূন্সি-পোৎলূম (লাইফ বর্দন) হায়বসি করিনো? অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা? ৱারেংসিদা হায়জনীংবা ৱা'দু হায়দ্রিঙৈ, ৱারমসিমদি খঙমিন্নহৌবা চুম'মাল্লে। তাকচবা নত্তে, আইদিয়া স্যের তৌমিন্নবনি।

চাউনা, পৌনা য়েংবা মীৎয়েংদা 'ৱাখল' হায়বসি মখল অনীখক্তনি- 'অৱাবা ৱাখল' অমসুং 'নুংঙাইবা ৱাখল'। নুংঙাইবা ৱাখল খনবনা কনাগুম্বা অমবু কৈদৌনুংদা কোক চীকহন্দে, মায়থোঙ মোমোন্নহল্লি, চীনবান্দা ঈশৈ ঙংহল্লি। লাংতক্নবা, অৱাবা ৱাখলনদি খোয়রাঙ খোয়শাউনহল্লি, অহিং তূম্বা য়াহন্দে, পোথাফমসু খঙহন্দে, চাফম থকফম খঙহন্দে, মীনা নোকপা উরগা, কল্লক-কঞ্জাও পোক্কল্লি, কনাবুসু থাজদে চিংনা মীৎয়েং য়েংগল্লি। পূম্নমকসিনা ওইহল্লি - ৱাই চিল্লবা, পোথাফম খঙদ্রবা কোক। কোক্তুদা মরূ হুলহল্লি-পোজিটিভ ওইবা ঙমদ্রবা, নেগেটিভিজম'না থল্লবা ৱাখল চরোং। পোজিটিভ ওইবা ৱাখল'না এরিথমেটিক প্রোগ্রেশন'দা হেনগৎলকই, নেগেটিভ ওইবা ৱাখল'না জিওমেট্রিক প্রোফেশন'দা। জিওমেট্রিক প্রোগ্রেশন'দা হেনগৎখিবা লাংতক্নর/লৈতাদবা/চয়েৎনবা/টেন্সন/এনজাইটি ময়ামদুনি মীওইবগী পুবা ৱারবা অৱা-পোৎলূম। ঐখোয়না পোল্লকপদা পুরগা লাকখিবা নত্তবা 'পূন্সি-পোৎলূম'। মীওইবনা পোল্লকপদা, কনানসু করিমত্তা ইরকখিদা 'লাইবক' কৌবা শকউদবা লাইরিক অমা পুথোল্লকখি। 'লাইবক'- পুমহাঙ হাঙলবা অঙৌবা চেবাং'ঙাক্তগী লাইরিক অমনি। পূন্সি খোঙচৎসিদা মাঙলোমদা চঙশিল্লকপগা, 'হৌখ্রবা মতম' অমদি 'লাক্কদবা মতম' হায়দুনা পূন্সিবু তাঙ্কক অনী থোক্লা খায়দোকই। 'মেমোরিজ', 'এক্সপরিয়েন্স' অমসুং 'এক্সপেক্টেশন্স' হায়বা হৌখ্রবা মতমগী খুদোল অহুমসিনা পূন্সিবু মোৎশিনহল্লকখি। খুদোল অহুম অসিনা ঐখোয়বু হেন্না শিংবা, লৌশিংবা মী অমা ওইহল্লকই। অদুবু, ইন্টেল্লিজেন্ট ওইবা 'ৱাখল তরু-তরুবা' মীশক অমদি ওইহল্লক্তে। পারুবা লাইরিক, তানশিল্লুবা এক্সপরিয়েন্স অমসুং লৌশিংনা নহাকপু/ঐহাকপু/মহাকপু মায় পাল্লবা মীশক অমদি ওইহল্লকপা য়াই। অদুবু, মায় পাকপা মীশক অমা ওইরকপা, খোমজিন-তাশিল্লকপা ইনফোর্মেশন, এক্সপরিয়েন্স অমদি লৌশিংদুগী পনখৈ য়ৌরকপা, তশেংবমক্তি, পূম্নমক্তুনা ঐহাক্কী পূন্সি-পোৎলূম হেনগৎহনবা নত্তনা অতোপ্পা খুদোল অমা অমুক পীরক্তবনি। কান্নফম/চন্নফম লৈত্রবা অকংবা উপাল অমা কোকথোংনদুনা পুরগা চৎপগুম্বনি। হৌখ্রবা মতম হায়বসি থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অমগুম্বনি। লাক্কদবা তুংলমচৎ হায়বসিনা অহিংবা থৱায়। পূন্সিবু মশক খঙবা মহাক্তুদি 'হৌজিক' হায়বা মীকূপসিদা শিরগা মথংগী মীকুপ অদুদা অনৌবা মপোক অমা শাগোন্নবা ঙম্বা মহাক্তুনি। মহাক্তি মীকুপ খুদিং অনৌবা শায়োন অমদা, মপোক অমদা লাংওল্লি। অসিগুম্বা মতিক-ময়াই, শায়োন-লাংওন তৌবা ঙম্বা শক্তিসি কনাগুম্বা অমনা খুদোল ওইনা কনাগুম্বা অমদা অখন্নবা খুদোল ওইনা পীরকপা নত্তে। মীপূম খুদিংমক্তা পোকপদগী লোয়নজরল্লবা ময়াইনি, কনানসু য়োকখৎপীরকখিদবা। ঐগী মিংচৎ, ঐগী শক্তি, ঐগী ইরল, ইতিক-ইঙাল... পূন্সিসিগী ৱাংমদা কনানসু পুদুনা চৎখিরোই। তাইবঙসিদা লাকপদা পুদুনা লাকখিবা খরদুতনি তাইবঙসিদই হনখিবদা অমুক পুদুনা চৎখিগদবা। করিসু পুরকখিদবা ঐহাক্না করিবু পুরগা হনখিগদগে? মলেমবু খুদুম চনবা ঙল্লে খঞ্জখিবা চক্রবর্তি-নিংথৌরেল, লাইরৈবাক্কী সুমেরু চীংদোলদা, মূৎনাইদবা মাগী মিং সনাগী ময়েক্না হক্তুনা থল্লি খনখিবা... তাইবঙসিদই মহাক্না করিসু পুদুনা লাকখিদে হায়বদু লাইরৈবাক্কী থোঙশঙবদুনা ৱাখল তাহনখি।

তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী লাক্লগা তোখায় তোখায়বা পন্থুংফম তান্না, তোঙান তোঙানবা ত্রেন তোংদুনা চৎনখিগদবা লম্বী চৎপশিং-ঙাইহাক পুঙ্গোয় রেলৱে-ষ্টেশনগী ৱেটিং রুমদা মাগী মাগী ত্রেন ঙাইনরিবা, রেলৱে পেসেঞ্জর ময়ামদুগুম্বনি মালেমসিদা লৈমিন্নরিবা। মালেম অসি কনাগীসু ময়ূম নত্তে। ৱেটিং-রুম অদুদা কনাসু লেঙদনা লৈহৌরোই। ঐনা শাজবা নীংথিবা নুংঙৌগী য়ূমদুদা, ঐগী নেম-প্লেট থেৎকৎলুবা ঐহাক্কীনি খঞ্জরুবা, ৱেটিং রুমগী ফমুংদুদা ঐনা ঙাইহাক তূম্লুঙৈ, ঐহাক্কীনি খল্লুবগা পাংখক্লি। ঐনা ফল্লম্বা চৌক্রিদা ঐগী মিং নপ্লম্বদুগুম্বনি। ঐগী মিং, ঐগী ইকায়খুম্নবা, ঐগী শেল, ঐগী লন, ঐগী শক্তি, ঐগী লৌশিং... তাইবঙসিগী ৱাংমদা ঐনা পুদুনা চৎখিগদবা অমত্তসু নত্তে। পূম্নমক হুন্দোকলম্লগা চৎখিগদবা ঙাক্তনি। ঐগী নত্তবা পোৎশকশিংবু ঐগীনি খলহল্লুবা ৱাখলদুননি পূক্লিংসিবু 'করপ্ট' ওইহল্লিবা... করপ্ট ওইবা সিষ্টম অমগী মরূ হুলহল্লিবা, পূন্সি মশক খঙহন্দ্রিবা... তুংলমচৎকীদমক হিংদনা হৌখ্রবা মতমগী নীংশিংবা মরক্তা হিংবদা হৈনহল্লিবা।

নীংশিংবা অমসুং অকাউবা হায়বসিসু মীওইবগী পূন্সিগী তঙাইফদবা মচল অমা ওইবা তাই। অদুননি, অঙাং নাৱা ওইরিঙৈদগী, পুমকক চাউরক, মপূম মরৈ ফারকপা নহা ওইরিঙৈ, ইহৈ-ইশিন তল্লকপা, মী ওইনবা হোৎনরকপা মতমদা, পোৎ-চৈ, মীগী মিং, এদ্যুকেশন'না পীরকপা লৌশিং-জ্ঞান পূম্নমক 'নীংশিংনবা হোৎনব'না খ্বাইদই মরু ওইবা থৌগায় অমা ওইহল্লক্লগা, অহল মতম ওইরকপা, পূন্সি-এক্সপরিয়েন্স'না চৈনা চৈথেং পীরকপা... ইচা-ইশু-ইরী-ইতা, মরুপ-মপাঙ কয়াগী বিত্রেয়ল (থাজবা হাৎপা) না পূন্সি-পোৎলূম হাপকৎলকপা মতমদু'দা অমুক হায়রকই 'ত্রাই টু ফোরগেট' - কাউথোকপা তম্মু।

খঙদে ঐ-নীংশিংবা অমসুং কাউথোকপা-করম্বনা হেন্না মরুনো! ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ১

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

ঐখোয়না অঙাং নৱা ওইরিঙৈ, লৌশিংনগা মপূং ফাদ্রিঙৈ লাইরিক তল্লকপদা লোক্তাক পাৎকী ঈয়াইদা ঈশিংনা ইকোয় কোয়শিনবা অতাওবা মানবা ঈথৎ খরা লৈ, ঈথৎশিংদু থাঙ্গ-করাঙ হায়না কৌই হায়না লাইরিক তল্লকপদা, পাড়া অমদা য়াওখিবনি। মতমদুদা অহল-লমন্নসু মফমদুদা পুবিখিদে উনীংবা, চৎনীংবদি অদুম ফাওখি। মফমদু য়ৌনবা চৎপা হায়বসি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা মতমনি। য়ূমথোঙ খুদিংগী গাড়ী লৈনরমদে, মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট (এম এস টি) কী বস অসিনি খ্বাইদগী মরু ওইবা মণিপুরগী পব্লিকনা তোংনবা গাড়ী। মায়কৈ-মায়কৈ চেনবা লাইন বস কয়াবুদি লৈরম্মী, মথং-মথং মিনি বস টেম্পো অসিনচিংবা কয়াসু থৌনরম্মী। লৈঙাক্কী ওফিসরশিংনা তোংনবা জীপ, কারবুদি থৌনৈ হায়ববু মশীং য়াল্লমদে গাড়ী লোয়বা খুল্লক্তদি। ঙসিদি মথং-মথং চাওখৎলকপগা ইরোয়ননা য়ূমথোঙ খুদিং মীপূম খুদিং মশা-মশাগী গাড়ী থৌনবনা অয়াম্বা ওইরে। মহৈরোয়, পাখঙ-লৈশাবী কয়াসু সহরগী নিল-খোংবদগী খরা অথাপ্পদা কোয়নীংলদি লোক্তাক ময়াদা চৎপা অসিদি শোয়দ্রে। অহোংবা হায়বসিসু থিংবা ঙল্লোই কনানা। ইকনোমিক্সকী টর্মদা মীওইবগী অপাম্বসি লিমিট লৈতে হায়নরিবনি। মীপূম খুদিং খূৎতা স্মার্ট ফোন অমমম পায়রবনিনা মথৌ তৌবা তাবনি। মীপূম খুদিং ফোটোগ্রাফরনি হৌজিক্কী মীরোলদদি। মশা মশানা পকচরনি খঞ্জবা ফিজোল শেৎতুনা, মকে শেমদুনা ফজরে খঞ্জবা পাখঙ-লৈশাবী, মৌনহা, মীয়াই চল্লবী, নৌনা গাড়ী তোংখৎলকপা কয়ানা লোক্তাক মপালদা কোয়বা চৎনরি। ছুটি নুমিৎ, নোংমাইজিং নুমিৎ, হরাও কুম্মৈগী মতমদদি অমুক্তোইবা চিক্ন-চাইনা ঙমদে মীগী মী ঙাক্তা লোক্তাক খোংবানসে। লোক্তাকতা হী তোংবনা তোংবা, ঙা-চাক লৈনবনা লৈনবা, থরো থম্বালদা ঙাওজবা কয়া অমনা পোমশাৎনবী থম্বালনা ইকায়-ইকায় মপূক্লিংদা নোং হেক ঙানবগা ফুগাইনা শাৎপা ঙল্লনি মপূক্লিংদা ফাওরমগদবা মানবা কয়াবু শারবা নুংশানা য়ৈবদা নৌজরিবা শাৎকাইদ্রিবা থম্বাল লৈরাংবু খুমজিনবীরি পাল্লবা থম্নানা ছাতিন ওইদুনা, শারেপ ফারল্লবীনি খঞ্জবী কয়ানা অকিবা লৈতনা শাংলবা মঙক থিনগৎ-থিনগৎতুনা লিৎখৎলক্লি, খরা অমনা মপূং মরৈ, চাউবা শারেপ ফারদুনা মনীং তম্না ইকায়বা খঙদনা ফুগাইনা শাৎচরিবা ঈশিংগী লৈরাং থম্বাল খক্তনা মনীং তমজবা তাকমু পাৎপু খোইদাজবা পাখঙ লৈশা কয়া কয়ানা ৱাগৈ হীবু তোংদুনা থম্বাল লক্তা ফোটো কয়া নম্নরি মাগী মাগী সোশল মীদিয়া একাউন্টতা পোষ্ট তৌনবগীদমক। হে স্মার্ট ফোন পুথোল্লিবা সাইন্টিষ্ট হংনীংই নখোয়দা ৱাহং অমা, মীওইবনা স্মার্ট ফোনসে পায়রগা অসুক য়াম্না ঙাওনরক্কনি, উহৈদবা কয়া, য়েংহৈদবা কয়া... খুমদুনা থমগদবা হকচাংগী কয়াৎ কয়াবু উথোকনীংলি, নিক্করি, শান্নরি জগোয় য়েংহৈদ্রবা কয়া, অদুমক্তদসু পেন্দবনা হেনমনখিবনা থোক্লক্লি তাহৈদবা, উহৈদ্রবা ৱাথোক লান্থোক কয়া থোকপা হেনগৎলক্লি। ঐনা সাইকোলোজিগী লাইরিক অমদা থেংনখিবদা অসিগুম্বা অনাবা অসি "exhibitionism" কৌই। মসি য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইবা লায়নানি হায়বদু অচুম্বা ওইরক্লি... ইকায় ইকি লৈত্রে। অসুম্না মীওইববু এদ্দিক্ট চুহন্দুনা ঙাওহল্লগা শেল তানগদবনি হায়বসি নখোয়না হান্না খঙখ্রবরা নৎত্রগা খঙহৌদ্রবরা?

লোক্তাক য়েংবা লাকপা, কোয়রকপা অয়াম্বনা সেন্দ্রা ফাওবদংনি লাক্করিবা অদুবু লোক্তাককী ফজবা য়েংগে হায়রবদি থাঙ্গ মনুং চঙদুনা লোক্তাকপু ইকোয় কোয়না য়েংবা য়াবা মফম কয়া লৈরি। মফমদু য়ৌশিল্লবদি লোক্তাক কোয়রুবগী মহাউ অদু কাউবা ঙল্লোই পূন্সিদা। থাঙ্গদগী ঈশিংগী ঈয়াইদা লৈরিবা 'করাঙ' কৌবা ঈথৎকী চীং অদুফাওবা ঙসিদি মোটোর বোটনা ইরায় লায়না চঙনরে। মফম অদু য়ৌশিল্লবদি থাঙ্গ য়ৌরুবগী অপেনবদু ওইগদৌরিবনি। করাঙগী চীং অসিবু 'করাঙ লাইফম মকোক চীং' হায়রগা খঙনৈ। হায়রিবা করাঙ লাইফম মকোক চীং অসিদনি মোইরাংগী সাইওন তরেৎকী মনুং চল্লিবা খুয়োন হাওবনা লোৎতুনা লৈরল্লিবা মফমসি। খম্বা থোইবীগী ৱারীদা খুয়োন হাওবসি মরু ওইনা য়াওবা থেংনৈ। নাকলদা 'খুমন পোকপা' চীং লৈ। চীং অসিসু লোক্তাককী ৱারীদা মরু ওই। লোক্তাক ইমাগী পাল্লবা মায়থোঙদা পক্তুনা লৈরিবা অপীকপা চীং খরদি চীংথি চীং (নোংমাইখোং থংবা সাইদলোমদা) অমসুং কৈবুল লমজাওদা লৈবা পাবোৎ চীং পনবা য়াই। থাঙ্গদগী য়াম্না নক্না 'মন্থা' ঈথৎ কৌবা অপীকপা চীং মচা অমসু লৈ। মন্থাগা নক্না লৈমিন্নরিবা চীং অদুনা 'মুকাপ চীং' কৌই। চীং অনী অসি পূন্না মুকাপ-মন্থা চীং হায়না অদুম খঙনৈ। মন্থা চীং ফাওবা হী তোংদুনা চঙলগা মফমদুদা য়ৌশিল্লকপা কয়াবু পোথাজবসু য়ানবা, অহিং য়ারেকফমসু থমদুনা অপীকপা রিজোর্ট অদুদা শাথৌলূপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মহা কবি অঙাংহলগী চহী ১৩২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমদা ৱারেং অসি ইজরিবা ঐহাক্না অথোইবা মীথুংলেন ওইবা ফংজখিবা পূন্সি অসিনা লৈরিবমখৈ কাউবা ঙল্লরোই। পূম্নমক অসি লোক্তাক লাইরেম্বী ইমানা নুংশিবীদুনা ইমাগী মতম্পাক্তা ইমানা পম্বীখিবা মীকুপ্তুনি লৌজরি। মহা কবি অসি পোল্লকম্বনা 'খম্বা থোইবী' শৈরেং, শৈরেংগী লাইরিক অসি মহা কবি অসিনা manuscript ওইনা লাইন ৩৯০০০ শাংনা ইবিরল্লবনিনা মণিপুরী লোলবু ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্নবা লৈজবী থাদুনা হোৎনখিবদা মতেং চাউনা ওইখি। লাইরিক অসিবু মহা কাব্য অমনি হায়না সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লীনা শক খঙবীখি। মহা কবি অসিনা খম্বা থোইবী শৈরেং ইরবনিনা লোক্তাক ইমাসু শৈথাবদা য়াওদবা য়াদবনা মরু ওইবা মচন অমনি। লোক্তাকতা থোইবীনা ঈন চিংবগী মতাংদু মহা কবিনা নীংথিজনা শৈথাই। লোক্তাক ইমাদি মণিপুরগী সিভিলাইজেশন অসিগী হৌরকফমগী শরুক অমা চাউনা কল্লিবনি। লোক্তাক পাৎকা শাগোন্নবা মোইরাং কংলৈরোলগী শৈহেক শৈদাদা শকপা খুনুং ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈ কয়া অমগী হৌরকফমসু ওইরিবনি।

মতাং অসিদা পনবা য়াই, থাঙ্গ ওজা হৈস্নাম মাঙ্গোলজাও, ওজাসিনা খোংজোম পৰ্ব্বগী শৈহেক্তা মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদা খম্বা থোইবীগী ৱারীগী তাঙ্কক কয়া শকপীরম্মী। থাঙ্গ কৌবা লমদম অসিদগী থোকখি শক্লাইরবা নট সঙ্কীর্ত্তনগী ওজা হাওবিজম শ্যামকেশো, মীয়াম্না থাঙ্গ কেশো হায়না খঙনবা ওজাসি। অসিদসু নত্তনা নট সঙ্কীর্ত্তনদা শঙ্গীৎ নাটক এৱার্দ ফংখিবা থাঙ্গ অশংবীগী পোকফমনি। পীল্লবা থাঙ্গ কৌবা খুঙ্গং অসিদগী থোক্লকখি ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা ইশ্রোগী সাইন্টিষ্ট নিংথৌজম রঘু। লমদম অসিদগী থোরকখি সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংলবা কবি কয়া। মীং খরা পল্লবদা (১) বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা, মহাক্কী শোর্ট ষ্টোরি কলেক্সনগী লাইরিক 'ঙমখৈগী ৱাংমদা। (২) বেরিল থাঙ্গ, মহাক্কী নোবেল 'ঐ অমসুং অদুঙৈগী ঈথৎ' হায়রিবা লাইরিক অসিদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখি। (৩) ৱাঙথোই খুমন, নহা ওইরিবা কবি অসিসু সাহিত্য একাদেমি যুব পুরুস্কর ফংখ্রে। (৪) মচিন তুমখৎলক্লিবা অইবা তোংব্রম অমরজিৎসু সাহিত্য একাদেমি যুব পুরুস্কার হায়রিবা এৱার্দ অসি ফংখ্রে । (৫) জিতেন ওইনাম্বসু সাহিত্য একাদেমি যুব পুরুস্কার ফংখ্রে। অসিদসু নত্তনা লৈঙাক্কী অচৌবা ফম পায়রিবা আই এ এস হায়বা তারবদি লাইশ্রম নন্দকুমার, হৈস্নাম বালকৃষ্ণ এম সী এস পনবা য়াই। এম পি এসতা হাওবিজম জুগেশচন্দ্র, নিংথৌজম মোধুনিমাই, হৈস্নাম বলরাম পনবা য়াই। মমাঙদসু লৈখিদ্রবা গৌরকিশোরসু লমদম অসিদা পোকখিবা ঙাক্তনি। শক্লাইরবা মীওই কয়া কয়া লৈরি মফমসিদগী হৌখিবা, লোইনা পনবা ঙমজদ্রে ঙাকপীগনি। মরম অসি লৈবনা থাঙ্গ লমদম অসি চুম্নগী ইচম চম্বা খুঙ্গং অমনি হায়না লৌবা য়াদে।

ঙসি ঐখোয়না থাঙ্গ হায়রিবা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৫০ লাপ্পা লৈরিবা মফম অসি ফাওবদি কংফাল লম্বীগা শম্নহল্লে। মণিপুরনা টেরিটরি ওইরিঙৈদা চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা মাইরেম্বম কোইরেংনা লৈজবী থাদুনা হোৎনদুনা সেন্দ্রা ফাওবা লৈবাক হৈদুনা শমজিন্নহনবীখি। মরম অসি লৈবনিনা লাইওইখ্রবা পাবুংগী মীতম অমা লম্বী অসিদা খিল্লিবা, মরম চাই। তৌবীমল খঙবা উৎপনি। তুংগী মীরোলদা মীতম অসিনা ৱারী অমা লীরিবনি কাউদনবা লোক্তাক হায়বা মফম অসি ওস্থোক্লা থাপখ্রবা মফমনি হায়না খন্নরম্মী। স্কুলগী এক্সকর্সন অমা মহৈরোয় ওইরিঙৈদা চৎখিবদুনা পূন্সিগী অহানবনি লোক্তাক উজবা ফংখিবা। মতমদুদা উখিবদদি ওস্থোক্লা পাকখ্রে লোক্তাককী ঈমাইসে। অদুবু চাওখৎলকপগী অহোংবা কয়া লাকপনা লোক্তাককী ফজবা মায়থোঙদসু অহোংবা কয়ানা সুম সুম হেনজিল্লকপনা ঙসিদি লোক্তাককী নীংথিবা শক্তমসে কদোমদা ওল্লগা মায় অসিনা য়েংগদগে খনবদা অরুবা ওইরে, মায়কৈ পূন্না হৌজিল্লিবা অৱাংবা নাপী-শিংবীশিং, মপাক মপাক তাওবা ফুমদিশিং অসিনা লাকহৎখিদুনা ঐনা উরিবা শক্তমসিবু লোক্তাকলা হায়না ইতোমতা ৱাহং অমা হংজে কদাইনো লোক্তাককী ফজবা, কদোমদনো লোক্তাককী ফজবা উগদৌরিবা। ঐ খাঙফম খঙদে। ষণগী মচীঞ্জাক্কি হায়দনা মতম অমা য়াম্না ৱাংবা শাথীবা, থুনা শন্দোক্নবা নাপী মখল অমা অসিবু ষণগী মচীঞ্জাক ওইনবা পুনরকখিবদগী লোক্তাককী অকনবা নুংশিৎনা হুল্লকপদা নাপী অদুগী মরূশিংদু নুংশিৎনা হুম্বদা পুখিদুনা লোক্তাক পূম্বা থুংনা হৌখিবদগী ওইরম্বসু য়াই লোক্তাককী ফীভম অসুক্কী মতিক শোকচিনখিবা। লৈঙাক্নসু লোক্তাকপু শেন্নবা শেন্থং কয়া কাইথোক্তুনা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ) কৌবা লোয়শঙ অমনা য়েংশিল্লি। মখোয়সু অঙম্বী থাক্তা হোৎনরি, ৱাজরি লোক্তাককী শক্তম কন্নবা হোৎনবদা!! ●

*(মখা চৎখজরকখিগনি)*



# 'সঙাই, দি দিয়র ওন দি লেক'

- গুরুময়ূম নির্মল -

নোংমা ইচেম্মা য়ূমদা লাক্লম্মী, ঐগী কাদা চৎলক্লগা হায়, নঙবো অসুম শূফম তৌফম লৈত ককঙাওনা লৈদৌ শরুক নোই ইবাইগী ফিল্ম নম্বসে চৎলুসিদনা? ... কৈবুল লমজাওদা থাখায়মুক চঙনি হায়, ... সঙাইগী মরমনিসু হায়। হয়েং অয়ূক ঐখোয়দা লাকউ, নোই ইবাই উনবা ঙন্তানা লাকউকো।

ঐ নুমিৎতু হয়েংদি ঙন্তানা হৌগৎলগা ইবাই উনবা চৎকদবনি হায়দুনা ঙন্তানা তূম্লে। পুং ৪ তাদ্রিঙৈদা মীকপ থোক্লকই। ফমুংদগী ফন চোংথৈ। মায়-মিৎ তাথোক্লে। ষ্টোভ থাগৎতুনা চাঙাং লোল্লে। চা থক্না-থক্না নোংঙানবা ঙাইরে। ঙসিদি নুমিৎসে পাক থোক্তে। হায়ফেৎ থোঙনাওদগী নোং ঙানব্রা য়েংই। মঙাল খরা খরা লাক্লবা অদুদা ইমুংদগী সাইকল ইন্থোক্লে, ইচেম্মহোই (থাংমৈবন্দ) দা চৎলে। ইচেম্মখোয়গী থোঙ্গাল য়ৌরে। গেটতি হাংলমদে। গেটকী অহোবদগী চেপথ-চেপথ য়েংই। কনাগুম্বা মীনা উরদি অঙাওবরা, হুরানবরা? খনখিবসু য়ারিজাৎনি। ঙাইহাক লৈরগা থোঙ হাংদোকপা মখোল অমা তাখি। অহোবদুদা উখি ইচেম্মহোয় মকুবোক পাবুংদো থোঙ হাংলগা থোক্লকই। নুমিৎলোমদা ওনশিন্দুনা নুমিৎ খুরুম্মী। শুমাং মতোনলোমদা তপ্পা তপ্পা থোক্লকই।

ঐনা কৌই... পাবুং ঐ ৱাঙ্খৈগী ইমোতোম্বীনে, গেট অমুক্তা হাংবীয়ু।

হা কৈদৌরে য়ূমদকা অনা-অয়েক য়াওরব্রো?

য়াওদে, ইবাইনা ঙন্তানা লাকউ হায়না লাকপনি পাবুং। গেট হাংলে, ঐ সাইকলদু শুমাং মতোনগী অহাঙবা মফম অমা য়েংলগা থল্লে।

পাবুংনা ইমুংলোম ওনশিন্দুনা লাউখি... নোই কনা কনা হৌরে, ইমোতোম্বীসে মবাইনা ঙন্তা লাকউনা লাকএ সে... হায়রম্লগা মনিংলোম চঙখ্রে। ইচেম্মা থোক্লক্তুনা ঐবু মোড়া অমা ফম্নবা পীরে।

নোকফেৎ তৌরগা হায়রকই - ঙনমন্দ্রো নঙনা লাক্লিবা সিবো?

ইবাই চৎথোক্রিঙৈদা উনহৌগেনা...।

ফরে ফরে ফম্মু ঐ চাগা লোল্লক্কে... হায়রম্লগা চঙখ্রে। ফনা কুইনা লৈরবা মতুংদা ইবাই থোক্লকই।

ফরে-ফরে নঙ ঙন্না লাকপা, কোলকতাদগী মোই তরুক ঙসি থুংলনি। ঐখোয় তরামঙামুক কৈবুল লমজাও গেষ্ট হাউসতা লৈরগা থাখায়মুক ফিল্ম নম্নি। নোই নচেম্মসু য়াওদোইনি। অতৈ অতৈগীদি ঐনা মি শীনখ্রে, নখোয় অনীনা ময়ামগী চান-থক্লবদু শিল্লো। অতৈদি নচেম্মগা তান্নরো।

নুমিৎতু ঐ ইচেম্মগা কৈথেল কারে। লৈবা য়াবা আদা ফংলোইদৌবা পোৎ-চৈ, হৱাই চেঙৱাই লৈশিল্লে। হংচিৎ অয়ূক চৎনবা শেম শারে। ঐখোয় চৎনবা থৌরাং লোইরে। মিনিবস অমা, জীপসি অমা, জেনরেটর চিংনবা জীপ অমা, এম্বেসেদর কার অমা, গাড়ীশিংদা তূম্না হিপ্পবা পোৎ চৈ, চান-থক্লবা, ফিল্ম নম্বদা চঙবা খূৎশু-খূৎলায় অমসুং অতৈ পোৎলমশিং হাপচিল্লে।

অয়ূক পুং ৯ তাদোরে, মী পূম্নমক মাগী-মাগী গাড়ীদা কাখৎনরে। থৌবা হৌরে। মোইরাং বজার য়ৌরে। ঙসি অয়ূক্কীদি চাক সিদা চাথোক্লসি হায়দুনা মফমদুদা লৈরম্বা খরা নানবা হোটেল থিরগা চারে। পুং ১১.৩০ রোম তাবদা কৈবুল লমজাও গেষ্ট হাউস য়ৌরে। মফমদুদা লৈরম্বা ফোরেষ্টকী মীশিং উনরে, শকখঙ মায়খঙনরে। হয়েং অয়ূক কৈবুল লমজাও মনুং চঙলগা ফিল্ম নম্নবা শিল্লে। ফোরেষ্ট গার্দ অমগা ঐগা শীং লৈবা, চাক এঙ্খাং থোংবীনবা, কোল-লিক ফেংবীনবা মি থীবা চৎলি, ফংলে। বামোন অনী মতেং পাংনবা মীদুসু থাখায়গী ওইনা ঙাঙনরে। ঙসি নুমিদাংদগী থবক হৌবসু য়ানরে। নুমিদাং ওইরে, জেনরেটরনা মৈ থাল্লক্লে। বামোনশিং লাক্লে, চাক থোংবা হৌরে। ঙসিদি হৌবা নুমিৎনি ঙা চাসে হায়বদগী ঙা অমুক থিবা চৎলে। লোক্তাক ময়াদুদা ঙা পাক ফংদে। অফংবা খরদুসু ইম্ফালদগী হেন্না তাঙই। নুমিদাংগী চাবা থকপা লোইরে। বামোনশিংদু অমা ঙন্তা লাক্রুবা হায়নরে। থবক্তা থৱায় য়াওনবা মখোয়গী নোংমগী খূৎশুমল পীখ্রে। ময়াম পূম্নমক তূম্বা হিপ্পা চঙনখ্রে, ঐসু তূমথখ্রে।

ঘড়ীগী এলার্ম খোংলকপদু পুং ৪.৩০নি। ফুক হৌগৎলি। মোন ময়াদগী টোর্চ লাইটকা মৈখেৎপা পায়রগা চাকশঙদা চঙলে। ত্রঙ্কতগী মোম্বতি লৌথোক্লগা চাকশঙদু মৈ থাল্লে। চিন-য়া শেংলে। পুজারিশিং লাকপা ঙাইবা ওইনা চাকশঙ মৈ হৌগৎলে। ঈশিং কোনদু য়োৎশবীদা থাঙ্গৎতুনা মৈ তিক্না তিক্না ঈশিং লুম্বা হৌগৎলি। পুং ৫ তারবা ফাও বামোন অমত্তা লাক্ত্রে। পুং ৫.৩০ তারে। উচিন নাচিন্না কোন ফেংবা অঙাংদুগা পুজারি অমগা থুংলরে।

ফরে-ফরে ঐঙ্তাহোয় লাকপা। ঐনা ঈশিংদি লুম্লবনি চা লোনখৎলসি হায়দুনা। চা খরা থাঙ্গৎপা হৌই।

মরকসিদা ইচেম্মা চাকশঙদা বালতিন অমা পুরগা চঙলকই। ঐনা চাদি শৌদৌরে, চা হান্না হৈরল্লগে হায়বদা ইরুজখিগে হায়বদগী কোর্ফুদগী ঈশিং অশাবদু খরা ঐনা বালতিন্দুদা হৈরে, ইরুজবা চঙখ্রে।

ঐঙ্তা চাদু ঐখোয় হান্না থক্লসি হায়দুনা চা থক্লে। মথং মথং য়াহৌঙনবা মী হৌগৎনরক্লে। মখোয়সু মথং মথং লোইনা থক্লরে। ময়াং কেমেরামেন গীরিস পরীহার, ক্যেরটেকর জয়ন্ত সিল, চাকশঙদা মৈ য়াইনা য়াইনা চা থক্লি। গীরিস ঐখোয় চহী লোঙ্গা ওইনা তৌই। নুমিৎতুদা ঐবু মহাক্না 'মামু' হায়না কৌবা হৌখিবদগী ঐবু মণিপুর ৱাংমগী ফিল্ম সর্কলদা ঐগী মিং 'মামু', মণিপুর মনুংদনা 'মামো' হায়না ঙসি ফাওবা কৌনরি, খঙনরি।

অয়ূক্কী তলগা কোবি শাক্কা পীজরে। চাবা থকপা লোইনরদুনা মথং মথং ফিল্মগী মী মখৈ মাগী মথৌ পাংনবা কৈবুল লমজাও মায়কৈ পাংনখ্রে। ঐখোয়সু নুংথিলগী চান-থক্লবা শেম শাবা হৌগৎলে। মথং নোংঙাল্লকপদা বামোনদু লাকখিদ্রে, ঐনা তঙাইফদনা লেমহৌরিবা নুমিৎশিং অদুগী ফিল্ম নম্বগী পুজারিগী থবক শিল্লে। ইচেম্মনা ঐগী মতেং পাংবী। মোইরাং কৈথেলদা অৱাৎ অপা লৈবগী থবক্তি ইচেম্মগা দ্রাইভর মংলেমগা চৎলে। মরক মরক্তা ঙা থোংবা তারবদি ইচেম্মনা থোংই। ঐনা থোংলদি মহিসু লাংই, মপংসু উবা ফংদে। তেক্তা কায়দনা ফিল্ম 'সঙাই, দি দান্সিং দিয়র ওফ মণিপুর' নম্বা লোইশিনখি।

পুজারি ওইনা ঐগী অহানবা ফিল্মগী লম্বীদা ষণ শারগা চৎপা হৌখি। ইবাইনা ঐগী থবক্তু পেনবীরমাল্লে ঐঙোন্দা মথং লাক্কদবা ফিল্মশিং নম্লকপা খুদিংগী প্রদক্সনগী থবক ঐবু পুহনবীখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।